# JP-2-10

**PAPER II / प्रश्न-पत्र II**
**Manipuri Language Supplement**
**मनीपुरी भाषा परिशिष्ट**
**PART IV & V / भाग IV & V**

Test Booklet Code
परीक्षा पुस्तिका संकेत

**P**

Test Booklet No.
परीक्षा पुस्तिका संख्या

536605

This booklet contains **20** pages.
इस पुस्तिका में **20** पृष्ठ हैं ।

**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**
**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए ।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page 19 & 20) of this Test Booklet.**
**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ 19 व 20)पर दिए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें ।**

**For instructions in Manipuri see Page 2 of this Booklet. / मनीपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका का पृष्ठ 2 देखें ।**

## *INSTRUCTIONS FOR CANDIDATES*

1. This booklet is a supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part IV (Language I) **OR** Part V (Language II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Part I and Part II **OR** III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part IV and Part V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Blue / Black Ball Point Pen only** for writing particulars on this page / marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **P**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **two** Parts, IV and V, consisting of 60 Objective Type Questions, each carrying 1 mark :
   Part-IV : Language I - (Manipuri) (Q. 91 to Q. 120)
   Part-V : Language II - (Manipuri) (Q. 121 to Q. 150)
7. Part-IV contains 30 questions for Language-I and Part-V contains 30 questions for Language-II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri language have been given. **In case the language/s you have opted for as Language-I and/or Language-II is a language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part -V (Language-II) in a language other than the one chosen as Language-I (in Part-IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

## *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका की एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो या तो भाग IV (भाषा I) **या** भाग V (भाषा II) **मनीपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं** ।
2. परीक्षार्थी भाग I एवं भाग II **या** III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से ।
3. अंग्रेज़ी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग IV व भाग V के अन्तर्गत दिए गए हैं । भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं ।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल नीले/काले बॉल पॉइंट पेन** का प्रयोग करें ।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत** है **P** । यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट पुस्तिका का संकेत, उत्तर पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है । अगर यह भिन्न हो तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं, जो प्रत्येक 1 अंक का है :
   भाग-IV : भाषा I - (मनीपुरी) (प्र. 91 से प्र. 120)
   भाग-V : भाषा II - (मनीपुरी) (प्र. 121 से प्र. 150)
7. भाग-IV में भाषा-I के लिए 30 प्रश्न और भाग-V में भाषा-II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं । इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मनीपुरी भाषा से संबंधित प्रश्न दिए गए हैं । **यदि भाषा-I और/या भाषा-II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मनीपुरी के अलावा है तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लीजिए । जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए ।**
8. **परीक्षार्थी भाग-V (भाषा-II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा I (भाग-IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो ।**
9. रफ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें ।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर पत्र पर ही अंकित करें । अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें । उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है ।

Name of the Candidate (in Capitals) : ______________________
परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) :
Roll Number : in figures ______________________
अनुक्रमांक : (अंकों में)
: in words ______________________
: (शब्दों में)
Centre of Examination (in Capitals) : ______________________
परीक्षा केन्द्र (बड़े अक्षरों में) :
Candidate's Signature : ______________ Invigilator's Signature : ______________
परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : निरीक्षक के हस्ताक्षर :
Facsimile signature stamp of
Centre Superintendent ______________________

**P** **P**

বুক্লেট্‌সি লমায় 20 য়াওই ।

# JP-2-10

টেস্ট বুক্লেট্‌ কোড

**P**

## পেপর II
## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট
## ভাগ IV & V

**হায়রক্লিফাওবা টেস্ট বুক্লেট অসি হাংদোক্লনু ।**

**বুক্লেট্‌সিগী নীতি-নীয়মশিং (instruction) (সাইদ 19 & 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ ।**

***কেন্দিদেটসিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনসিং :***

1. বুক্লেট্‌সি **মণিপুরী** লেঙ্গুয়েজদা পার্ট IV (লেঙ্গুয়েজ I) নত্রগা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দদেটসিংগীদমক ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্‌তুগী সপ্লিমেন্ট অমনি । অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই ।
2. কেন্দিদেটসিংনা ম্যেন টেস্ট বুক্লেটতগী পার্ট I অমসুং পার্ট II **নত্রগা** III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদগী পার্ট IV অমসুং V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজসিংগী পার্ট IV অমসুং পার্ট V ৱাহংসিং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্‌তা পীরে । লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টসিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই ।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লু/ব্লেক বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুক্লেট্‌সিগী কোডতি **P** নি । আনসর **শীতকী সাইড-2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং ম্যেন টেস্ট বুক্লেট্‌তা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্‌কীসিগা চপ মান্নবা হায়না য়েংউ । মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুক্লেট্‌ অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি ।
6. বুক্লেট্‌ অসিগী পার্ট **অনিনি** IV অমসুং V । মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং **60** য়াওই :

   পার্ট IV : লেঙ্গুয়েজ I — (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)

   পার্ট V : লেঙ্গুয়েজ II — (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট IV লেঙ্গুয়েজ I গী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট V লেঙ্গুয়েজ II গী ৱাহং 30 য়াওই । বুক্লেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরিলৈনবা ৱাহং হংই । **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ I অমসুং নত্রগা II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজসিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেস্টবুক্লেট্‌ অমা পীনবা হায়বীয়ু । পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজসিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজসিংগা মান্নগদবনি ।**
8. **কেন্দিদেটসিংনা লেঙ্গুয়েজসিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট V (লেঙ্গুয়েজ II)দা য়াওরিবা ৱাহংসিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ ।**
9. টেস্ট বুক্লেটতা পীরিবা মফমদুতদা রফ ৱর্ক তৌগদবনি ।
10. পউখুমসিংদু OMR পাউখুম চেদা ইগদবনি । নঙগী পাউখুসিংদু চেকসিন্না মার্ক তৌ । পাউখুমসিং হোংনবা মুক অঙৌবা শীজিন্নবা য়াদে ।

কেন্দিদেটকী মীং (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

রোল নম্বর : অঙ্ক ময়েক্তা ____________________

: ৱাহৈদা ____________________

পরীক্ষাগী সেন্টর (অচৌবা ময়েক্তা) : ____________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ____________________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ____________________

Facsimile signature stamp of

Centre Superintendent ____________________

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE-I**.

# PART – IV
# LANGUAGE I
# MANIPURI

নিংথৌরেল গরীবনিৱাজনা পাল্লম্বদি মৈতৈ ময়েক্তা ইবা মৈতৈগী লাইরিক্কী মহুত্তা সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্দা ইবা লাইরিক চৎনহনবনি । নিংথৌরেল অসিনা রামান্দী ধর্ম্ম চৎখিবদগী সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্দা ইবা লাইরিক কয়া কয়া মৈতৈরোন্দা হন্দোকখি । সনা হাকথক অসিদা ফাওখিবা পণ্ডিত শিংগী মনুংদা অঙোম গোপী, লাইশ্রম অরোই, য়ুম্নাম অতিবার, নুঙ্গাংবম গোবিন্দ রাম মখোয়গী মমিংশিং পনবা য়াই । অঙোম গোপীনা কৃত্তিবাসকী রামায়ণ অমসুং গঙ্গাদাস সেনগী মহাভারতকী মতাং কয়া কয়া মৈতৈরোন্দা হন্দোকখি । লাইশ্রম, অরোই অমসুং য়ুম্নাম অতিবার পণ্ডিত অনীনা ‘শমসোক ঙম্বা’ হায়বা লাইরিক অদু ইরমই । নুঙ্গাংবম গোবিন্দরাম পণ্ডিতনা ‘তখেল ঙম্বা’ হায়বা লাইরিক অদু ইরমই । লাইরিক অনী অসিমক নিংথৌরেল গরীবনিৱাজনা ঔৱা লান্দাদুনা শমশোক ঙম্বা অমসুং তখেল লাম্হেংনদুনা তখেল ঙল্লকপা মতাং অসি লৌদুনা

মৈতৈ নিংথৌবু ‘লাইয়িংথৌ’ কৌনরম্বা অদু, নিংথৌরেল অসিগী সনা হাকথক্তগীদি ‘মহারাজ’ হায়না শকাব্দ ১৬৪৬ তগী কৌনবা হৌখি ।

মহারাজ গরীবনিৱাজ সনা হাকথক অসি মণিপুরদা তান্ত্রিক যুগকী য়াম্না চাওখৎপা মতমনি । মতম অসিদা কামরুপ তন্ত্র, মন্ত্রগী লৈবাক্তি হায়না ভারত্তা মমিং চৎলমই । কামরুপ বিদ্যা অসি য়ুমলোম্নবা লৈবাক মণিপুরদসু চাওখৎলম্বগী খুদম ৱাওনা লৈ । গুরু খোংনাংথাবগা গুরু শান্তদাসগা মহৈ তান্নবগী ৱারী মতাং অমা ‘মিয়াৎ’ কৌবা পুরান্দা অসুন্না ইরি “খোংনাংথাবনা হায় - নিংথৌগী হীয়াং অচৌবা অসিবু ইপূক্তা য়োৎলগে । নিংথৌগী মমাংদা, লৈপাক্কী মমাংদা হীয়াং অদু ময়াদা য়োৎখ্রে । অদুগী মতুংদা শান্তিদাসনা নংনা অদুম তৌরবদি ঐসু অমা তৌগে হায়দুনা হঙ্গাম মরু উতোং অমা হৈদোক্লগা মানা খুনু ওইদুনা খুল্লে । খোংনাংথাবনা মদু উরবদা হৌদোং ওইদুনা লাক্লে তৌরে । শান্তদাসনা কিদুনা তোক্লে ।”

**তৌগদবা তাকপা :** অপীবা পেসেজ অদু ৱাহংশিংগী (ৱাহং **91-99**) খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পীরকউ :

**91.** সনা হাকথক অসিদা ফাওখিবা পণ্ডিত কনা কনানো ?

(1) অঙোম গোপীনি ।

(2) লাইশ্রম অরোইনি ।

(3) সনা হাকথক অসিদা ফাওখিবা পণ্ডিতশিংদি অঙোম গোপী, লাইশ্রম অরোই, য়ুম্নাম অতিবার অমসুং নুঙ্গাংবম গোবিন্দ রাম নি ।

(4) নুঙ্গাংবম গোবিন্দ রামনি ।

**92.** অঙোম গোপী না করি লাইরিক ইরমবগে ?

(1) অঙোম গোপীনা কৃত্তিবাসকী রামায়ণ অমসুং গঙ্গাদাস সেনগী মহাভারতকী মতাং কয়া কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।

(2) কৃত্তিবাসকী রামায়ণ মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।

(3) অঙোম গোপীনা গঙ্গাদাস সেনগী মহাভারত মতাং কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।

(4) গঙ্গাদাস সেনগী মহাভারত মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।

**93.** লাইশ্রম অরোই অমসুং য়ুন্নাম অতিবার পণ্ডিত অনী করি লাইরিক ইরমই ?

(1) লাইশ্রম অরোই অমসুং য়ুন্নাম অতিবার পণ্ডিত অনীনা শমসোক ঙম্বা লাইরিক ইরমই ।

(2) লাইশ্রম অরোইনা শমসোক ঙম্বা ইরমই ।

(3) য়ুমনাম অতিবার পণ্ডিত না শমসোক ঙম্বা ইরমই ।

(4) লাইশ্রম অরোইনা মহাভারত ইরমই ।

**94.** শমসোক ঙম্বা অমসুং তখেল ঙম্বা করিগী মরমদা ইবা লাইরিকনো ?

(1) শমসোক ঙম্বা হায়বসি তখেল ঙল্লকপগী মরমদা ইরকপনি

(2) তখেল ঙম্বা হায়বসি লান্দা শমসোক ঙম্বগী মরমদা ইবনি ।

(3) অৰা ঙম্বগী মরমদা ইবা লাইরিক শিংনি ।

(4) লাইরিক অনিসি গরীবনিৱাজনা ওৱা লান্দাদুনা শমসোক ঙম্বা অমসুং তখেল লান্থেংনদুনা তখেল ঙল্লকপা মতাং অসি লৌদুনা ইরম্বনি ।

**95.** নিংথৌবু করম্বা মতমদগী লাইয়িংথৌ কৌরম্বদগী মহারাজ কৌনখিবগে ?

(1) গরীবনিৱাজ মতমদগী নি ।

(2) মহারাজ হায়না শকাব্দ ১৬৪৬ তগী কৌনবা হৌখি ।

(3) শকাব্দ' ১৪৪৬ তগী মহারাজ কৌনবা হৌখি ।

(4) শকাব্দ ১৪৪৩ দগী মহারাজ কৌনবা হৌখি ।

**96.** মহারাজ গরীবনিবাজ সনা হাকথক অসি করি চাত্তখৎপা মতমনো ?

(1) সংস্কৃত চাত্তখৎপা মতমনি ।

(2) বঙ্গালী চাত্তখৎপা মতমনি ।

(3) লোল চাত্তখৎপা মতমনি ।

(4) গরীবনিৱাজ সনা হাকথক মণিপুরদা তান্ত্রিক যুগকী য়াম্না চাত্তখৎপা মতমনি ।

**97.** গরীবনিৱাজগী মতমদা কামরূপ হায়বসী করি মরমদা মমিং চৎপগে ?

(1) লাই নিংবদা মমিং চৎলি ।

(2) কামরূপ হায়বসি তন্ত্র মন্ত্রা হৈবদা ভারতকী মনুংদা মমিং চৎলমই ।

(3) কামরুপ হায়বসি ঈশৈগী মমিং চৎলি ।

(4) জগোয়দা মমিং চৎলি ।

**98.** নিংথৌরেল গরীবনিৱাজনা পাল্লিবসি করি ময়েক্তা ইবা লাইরিক চৎন হনবনো ?

(1) মৈতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক চৎনহনবনি ।

(2) মৈতৈ লাইরিক্কী মহুত্তা সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্দা ইবা লাইরিক চৎনহনবনি ।

(3) বাংলা লোন্দা ইবা লাইরিক চৎনহনবনি ।

(4) সংস্কৃত লোন্দা ইবা লাইরিক চৎনহনবনি ।

99. নিংথৌরেল অসিনা রামান্দী ধর্ম্ম চৎখিবদগী করি লাইরিক মৈতৈলোন্দা হন্দোকখিবগে ?

(1) সংস্কৃত লোন্দা ইবা লাইরিক মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।
(2) বাংলা লোন্দা ইবা লাইরিক মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।
(3) অসামী অমসুং হিন্দীদা ইবা লাইরিক মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।
(4) সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্দা ইবা লাইরিক কয়া কয়া মৈতৈলোন্দা হন্দোকখি ।

থাপনা উরিবা চীং অসি ত্তম্নোক্না ফজৈদা !
নৌনা পুক্লিং হুনা নীংথিদা,
ঈংনা লিক লিক লাউইদা ।
শংবানবা অতিয়ামকপুসু নক্ষৎলিদা !
মসি শংবানবা অত্যাগা শন্নখবরনে ?
অমুক্তং য়েংঙুরবদা,
মীৎফম হোংবা য়াদেদা;
অদুবু অওইবমক মসি মাগী মচুরবনে ?
নত্তে, মখোঙদা চঙলবদি উবা ফংগনি,
শোঙলবা শা-কৈনা থল্লবা,
নারকনি, তিংখং তুম্নৌ হৌবা;
তিংথৌ হৌবা লৈতেম মান্নবা লম খরতনি ।
অৰাবনি অনকপা চন্দ্রনদীগী দৃশ্যদি !
তোৰ্বানসু নারক ওইখ্রে,

**তৌগদবা তাকপা** : অপীবা শৈরেং মতেক অদু পারগা ৱাহং **100**- দগী **105** ফাওবগী খ্বাইদগী চান্নবা থল্লগা পাউখুম পীরকউ :

100. পুক্লিং হুনা নীংথিরিবসি করিনো

(1) থাপ্লা উরিবা অতিয়াদুনি ।
(2) থাপ্লা উবা শামুদুনি ।
(3) থাপ্লা উবা চীংদুনি ।
(4) থাপ্লা উবা উচেক্তুনি ।

101. লিক লিক লাউনা ফজৈ হায়রিবসি করিনো ?

(1) লিক লিক লাউনা ফজে হায়রিবসি চীংনি ।
(2) উজাত্তনি ।
(3) য়ুমনি ।
(4) লমহাংনি ।

102. শংবান্নবা অতিয়াবু নমহৎলিবসি করিনো ।

(1) থাপ্লা উরিবা ৱাংলবা য়ুমদুনি ।
(2) নোংদোন খেৎনা পাইরিবা উচেক্তুনি ।
(3) থাপ্লা উরিবা চীংনি ।
(4) থাপ্লা উরিবা স্কুলদুনি ।

103. মিৎফম হোংবা য়াদ্রিবসি করিনো ?

(1) চীংদুনি ।
(2) অথাপ্পা অতিয়াদুনি ।
(3) অথাপ্পদা লৈরিবা নুপা অমগী শক্তমনি ।
(4) থাপ্লা উরিবা থৱানসিচাক্তুনি ।

104. কবিনা মাগী মচুরনে হংলিবসি করিনো ?

(1) অতিয়াগী ঙাঙান্নবা মচুদুনি ।
(2) অথাপ্পদা উবা চীংগী মচুদুনি ।
(3) নুমিৎ তারমদাইগী মচুদুনি ।
(4) থা থোরকপগী অয়িংবা মঙানদুনি ।

105. কবিনা করিবু ফজৈ হায়না শিংথাবগে ?

(1) পাৎপু ফজৈ হায়না শীংথাই ।
(2) তুরেলবু ফজৈ হায়না শীংথাই ।
(3) অশংবা লবুকপু ফজৈ হায়না শীংথাই ।
(4) চীংবু ফজৈ হায়না শীংথাই ।

**তোগদবা তাকপা** : খ্বাইদগী চান্নবা খল্লগা পাউখুম পিয়ু :

**106.** পারিঙৈদা লৌশিং খোমজিনবসি

(1) নোট লৌবনি ।

(2) মচা কাইনা য়েংবনি ।

(3) চমমন্নবা লৌথোকপনি ।

(4) নোট শেম্বনি ।

**107.** তাবা অমসুং ঙাংবগী (listening and speaking) হৈবা খঙদোক্লবা মখাদা পিরিবা ৱারী শাবসি পাউ । নঙনা করম হায়না মহৈরোইশিং সিগী অহৈবশিংসি খঙদোকুদগে ?

**ওঝা** : নঙগী নমান্নবদা নঙগী অপাম্বা শান্ন খোন্নবগী মতাংদা ৱারী শাউ ।

**মহৈরোই ১** : করিসীনো ? ঐখেয় খন্ন নৈন্নবা য়াদরা ?

**মহৈরোই ২** : ফরে ........ কদায়গী মতাংদা ৱারীশাবা য়াব্রা ?

(1) মহৈরোই ২ ওঝানা হায়বসি চুম্মী, মহৈরোই অমাত্তনদি মহাক্কী ৱাখলদু ফজনা ফোংদোক্কে ।

(2) মহৈরোই অমাত্তবা চুম্মী, মহৈরোই অনিত্তবদি ফজনা হায়ক্কে ।

(3) মহৈরোই অহানবা অমদি মহৈরোই অনিশুবা অনিমক ফজনা ফোঙদোকই ।

(4) মহৈরোই অহানবা অমসুং অনিত্তবা অনিমক ফজনা ফোঙদোক্কে ।

**108.** মখাদা পিরিবশিংসিগী ময়ক্তা, research কী মতুংইন্না করম্বনা খ্বাইদগী মরুওইবা স্কুল কাদ্রিবা অঙাংশিংগী য়ুমদা লৌশিং শাগৎপা য়াবা য়ুমদা তৌবা Activity, কোন্নসু অঙাংশিংগী লাইরিক পাবদা কান্নগদবু করম্বনো ?

(1) অঙাংশিংনা Nursury rhymes চিন্ফা পুবদুনি ।

(2) য়ুমগী মীশিংনা স্কুলগী মতাংদা ৱারী শাবদুনি ।

(3) মমা-মপানা অঙাংশিংদা লাউনা পাবিবদুনি ।

(4) মমা-মপানা ময়েক তম্বিবদুনি ।

**109.** লাউনা পারিবা মহৈরোই অমনা ৱাহৈ অমবু অর্থ মান্নবা ৱাহৈ লাইরিক্কুদা হাপলম্বা অমনা শিনজিনবদা, ওঝাগী-খ্বাইদগী চপ-চাবা পাউখুমসি -

(1) মহৈরোইদুদা ৱাহৈদু চুন্না পাউ হায়বনি ।

(2) মহৈরোইদু মখা তানা পাহনবনি ।

(3) লাউনা ৱাহৈগী খোনথোকতু পাবগা চুমথোকপনি ।

(4) ৱাহৈ অনিযক্কু ইরগা লাইরিক্তা ইরমলিবদু মহৈরেজিদুদা মশক খংদোকহনবনি ।

110. মশাগী ওইনা ইবা হায়বসি হান্না লৈরম্বা মতংদু মতৌ তম্বা নত্তে, মসিবু

(1) ৰশেমগী ৰারী অইবনি ।

(2) ৰারী ৰাতাই শান্নবগী অইবনি ।

(3) শাগৎলগা ইবনি ।

(4) চিঠী ইবনি ।

111. করম্বা তম্বী বগী-লমসি হেন্না ৰাংনা খন্না (higher order thinking) নো ?

(1) নিংশিংবদুনি ।

(2) খঙবদুনি ।

(3) চাংয়েং তৌরগা য়েংবদুনি ।

(4) পাল্লগা য়েংবদুনি ।

112. লোন অমগী মরি-লৈন্নবা লোন, গী কাংবু অমনা ঙাংবদুবু -

(1) accent নি ।

(2) dialict নি ।

(3) stress নি ।

(4) tone নি ।

113. করম্বা media না খ্বাইদগী তম্বিবা পিবগে ?

(1) তিলিভিজন, রেডিওনি ।

(2) মিদিয়ানা পুথোরকপদুনি ।

(3) নমুনা অমসুং চার্টতুননি

(4) field trip শিংননি ।

114. সিনেমা য়েংবদা নংগী ননাক্তা ফমলিবা মীদুনা মোবাইল ফোন্দা ৰারি শান্নরি । নঙনা ৰারি শান্নরা লেপ্পু হায়নিংজু । করমহায়না সঙোন্দা ৰারি শ্বাদনবা হায়জগদগে ?

(1) য়ান্না লাওনা ৰারি শাগনু !

(2) থিয়েটর মনুংদা মোবাইল ফোন শিজিন্নবীগনু ।

(3) নং মোবাইল ফোন শিজিন্নদ্রবদি য়াদ্রৱা ?

(4) নং মোবাইল ফোন শিজিন্নবা তোকপা য়াররোইদ্রা ?

115. মখাদা পিরিবশিং সিদগী মীবু থাজহন্নবা ইবসি -

(1) job evaluation ইডিটর ইবা চিঠীনি ।

(2) বাইওগ্রাফি, ওতোবাইওগ্রাফি নি ।

(3) encyclopedia নি ।

(4) news reports টেক্সবুক নি ।

**116.** মহৈরোইশিংগী metacognitive skills লৈহনবা ওঝাশিংনা তৌগদবদু

(1) মহৈরোইশিংদা প্রাদ্রিঙৈগী মমাংগী চাওরাকপা ৱাহং খরা পীবদুনি ।

(2) পাবদা খঙনবা মহৈরোইশিংবু অনৌবা ৱাহৈশিং চিনফা পুহনবদুন ।

(3) পারিঙৈদা মশা মথন্তা ৱাহং হংবা তমহনবদুনি ।

(4) নখোয়মশেন ৱাহং ইন্নবা তানজা পিবদুনি ।

**117.** 'Topic sentence' হায়বসিনা তাকলিবসি -

(1) এসে অমগী মরুওইবা ৱারমদুনি ।

(2) শৈরেংগী নত্রগা এসেগী সিংথোলদুবুনি ।

(3) পারাগ্রাফ অমগী মরুওইবা ৱারমদুনি ।

(4) মিংথোলমচা এসে অমগী-নত্রগা ডোক্যুমেন্ট অমগী Sub title দুনি ।

**118.** তুংদা নুংচৈইনা লৈবা য়াম্নবা মহৈরোইশিংদা পৃথিবীবু নুংশিযু হায়বী - মহৈরোইশিংবু নুংশিবিবা তাদুগা মখোয়দশু অতোপ্পবু নুংশিযু হায়বীবসি -

(1) অরাপ্পানি

(2) লাইরিক্কী ওইবা পোৎনি ।

(3) চুন্নবা শিনফমগী ওইবা পোৎনি ।

(4) গুনগী ওইবা পোৎনি ।

**119.** য়াম্না মুন্না খংদবা ৱাহৈশিংগী অর্থ লাইরিক্কুগী অতোপ্পা ৱাহেশিংদগী খংদোক্নবা হোৎন্নবসি -

(1) তাবগী হৈশিংবনি ।

(2) ঙাংগী হৈশিংবনি ।

(3) পাবগী হৈশিংবনি ।

(4) ইবগী হৈশিংবনি ।

**120.** খবরদা অকরুবা এদভরটিজমেন্ত অমা মুন্না পাবদা শিজিন্নারা পাবনী মত্তংসি -

(1) হেনজিন্না পাবনি ।

(2) মুন্না-কুপ্না য়েংবনি ।

(3) পাকশন্না পাবনি ।

(4) কাবক শাবক পাবনি ।

Candidates should answer questions from the following Part only if they have opted for **MANIPURI** as **LANGUAGE-II**.

# PART-V
## LANGUAGE-II
## MANIPURI

নহানমুক পুরীদা চৎলুবগী মতাং অদুদা পুক্লিংদা চিংনবা; শাউনিংবা খরা পোকখি । পান্দানি হায় জগন্নাথকী মন্দিরগী, চঙফম অদুদা থোক তৌবদা হৈশিংবা মান্নবা মমিৎ কুফেৎ-কাফেৎ তৌবা খরনা গাড়ীদগী কুমথফাৎত্রিঙৈনা লুনা চান্না তৌবা মতৌ উৎলদুনা জগন্নাথকী মতিক মগুন থাগত্তুনা খুদাং পায়খ্রে । থোইনা য়েৎলুবা তৌদনা মহাবৈষ্ণব মানবা জগন্নাথকা ঐগগী মরক্তা ৱা ফাওনবিগদৌরিবনি হায়রিবা উরিয়া পান্দা পদুনা মন্দিরগী হোজংলোমদা ঐবু পুশিনবিরে; মচিন্দদি জগন্নাথকী মতিক ময়াই পাগৎপা লেপতে । ঐগী ফিবম-মূর্ত্তি শক্তা-চুদাসিদা ইরাই লায়না মহাক্না তোয়না থেংনরক্লবা বৈষ্ণব মানবা, হায়জিল্লগা লৈজবা পূম্বা কৎথোকহন্দুনা মকু হুহনবা য়াবা জীব অমা থেংনরে খন্দুনা মহাক নুংঙাইরম্বা য়াই । মহাক্না হায়রিবা পূন্নমক অদু থোইনা য়েৎলদুনা ঐহাক মতুং ইল্লে মহাকসু অসুম অসুম হেঞ্জিল্লক্তুনা ওইদ্রবা ৱা কয়া মথং মথং হায়জিল্লক্লে মনমর নম্রা করিনো মণিপুরদগীনি হায়বা মহাক্না হান্ননা খঙলমলে । পুক্লিংদদি ইতোমতা পান্দা অসি অরেম্বদা মতম মাঙহঞ্জরে খল্লি । হোজং য়ৌরকপদা সাইন বোর্ড অমা থেৎলম্মী; মদুদা ইরি-হিন্দুতমক মন্দির অসিদা চঙবা য়াগনি । হায়রিবসি পারবদা পুক্লিংদা লকক তৌই, পান্দা অদুদা হংলুই কনাগী হুকুমনো জগন্নাথকীরা, মরক থৎলিবা কাঙবুগীরা ? ঐবু শেন্নরিবা পান্দা অদুনা খুন্নকই- হিন্দুতমক জগন্নাথকী মন্দিরদা চঙবা য়াগনি হায়বা হুকুম অসি জগন্নাথকীনি মতম কয়াগী মমাংদগী হুকুম অসি লৈরক্লবনি অমসুং ইল্লক্লিবনি । অদু ওইরবদি ঐহাক জগন্নাথকী দর্শন ফংজরোই, হুকুম অসি লৌথোকত্রবদি চঙলরোই হায়রুরে । পান্দা অদু মখুত্তা চল্লবা জীব অমা নান্হোকখিদৌরী চিংনরমাল্লে হায়রকই, - অদু ওইরবসু নহাক্তি চঙবা য়াগনি ঐনা পুন্নমক শীনগনি ।

**তৌগদবা তাকপা** : অপীবা ৱারেং মতেক অদুদগী **121** দগী **129** চান্নবা খন্দুনা পাউখুম পীরকউ :

**121.** উরীয়া পান্দানা ঐবু কদায়দা পুশিনবগে ?

(1) ঐবু মান্দোপ লোম্দা পুশিনবী ।

(2) ঐবু য়ুম লোম্দা পুশিনবী

(3) মন্দিরগী হোজং লোমদা ঐবু পুশিনবী

(4) লৈকোল লোমদা পুশিনবী ।

122. পান্দানা করি তৌবা লেপ্তে ।

(1) মখোয়না অমনা অমবু থাগৎপা লেপ্তে ।

(2) জগন্নাথকী মতিক ময়াই থাগৎপা লেপ্তে ।

(3) পুরীদা লাকপা মীবু থাগৎপা লেপ্তে ।

(4) মখোয়গী লমগী ফজবা থাগৎপা লেপ্তে ।

123. পান্দাদু করিগী নুংঙাইয়ম্বা য়াই ।

(1) অহাও-অথুম চাবা ফংগনি খনবদগী নুংঙাইরম্বা য়াই ।

(2) মীয়াম উবদগী নুংঙাইরম্বা য়াই ।

(3) ঈশ্বর উরদগী-নুংঙাইরম্বা য়াই ।

(4) হায়জিল্লগা লৈজক পৃম্বা কৎথোকহনবা য়াগনি খনবদগীনি ।

124. ওইদ্রবা ৰা কয়া কনানা হায়জিল্লকপগে ?

(1) পান্দানা ওইদ্রবা ৰা কয়া হায়জিল্লকই ।

(2) মীয়াম্না ওইদ্রবা ৰা হায়জিল্লকই ।

(3) নুপীশিংনা ওইদ্রবা ৰা কয়া হায়জিল্লকই ।

(4) লাকলিবা মীয়ামদুনা ওইদ্রবা ৰা কয়া হায়জিল্লকই ।

125. কনানা অরেম্বদা মতম মাংহনবগে ?

(1) ৰা ঙাংদুনা মতম মাংহনজরে ।

(2) পান্দাদুনা অরেম্বদা মতম মাংহনজরে ।

(3) লহি খুরম্বা চৎপদা মতম মাংহনলে ।

(4) মীয়াম য়েংদুনা মতম মাংহনলে ।

126. কদায়দা সাইন বোর্ড থেৎপগে ?

(1) লক্ষীদা সাইন বোর্ড থেৎলি ।

(2) মান্দপ তা সাইন বোর্ড থেৎলি ।

(3) মন্দিরদা সাইন বোর্ড থেৎলি ।

(4) হোজংদা সাইন বোর্ড থেৎলি ।

127. কদায় চৎপদা পুক্লিংদা শাউনিংবা পোকপগে ?

(1) মোইরাং চৎপদা শাউনিংবা পোকখি ।

(2) দেল্লী চৎপদা শাউনিংবা পোকখি ।

(3) পুরী চৎপদা শাউনিংবা পোকখি ।

(4) লম অথাপ্পা চৎপদা শাউনিংবা পোকখি ।

128. লুনা-চানা তৌবা মতৌ কনানা উৎপগে

(1) পুরীগী পান্ডদাননি ।

(2) বেঙ্গলগী বামোন্ননি ।

(3) মপানগী মীনা নি ।

(4) বৃন্দাবনগী মীনা নি ।

129. কনা খক্তনা মন্দির চঙবা য়াবগে ?

(1) নুপীদমক মন্দির চঙবা য়াই ।

(2) হিন্দুদমক মন্দির চঙবা য়াই ।

(3) নুপাদমক মন্দির চঙবা য়াই ।

(4) পৈশা পায়বদমক মন্দির চঙবা য়াই ।

## Passage 130-135

### মাংথোই থাইমৈ

### নাউশুম অমত্তদগী

মণিপুরগী চীংমী অমশুং তম্মীগী শাওং-শাবান, কুচু-কুমেন অমদি মিত্তা-নাতামরুসু মখোয়গী হৌরকফম অমত্তনি হায়বগী প্রমাণ অমা ফজনা পীরি । ঐখোয় অসি কাঙলুপ অমত্তগী মীওইনি হায়বা অসিমদি ঐখোয়গী শক-চু অসিমরুসু অদুম চেন্নবা ইয়া য়াদ্রবা খূদম অমা ওইরবনি । মপানগী অখণ্ড-অহৈ শিংনসু ঐখোয় অসিবু মঙ্গোলিয়ান কাঙলুপকী মীওইনি হায়রি ।

হৌরকফমগী মতাংদসু ঐখোয় অসি তোংঙান তোংঙানবা মফমদগী হৌরকপনি হায়না মমি-শামি ওইনা খল্লুবমক য়াওরম্লবসু চীং অসিনা ঐখোয়গী থায়নগী অহল-লমনশিংগী ইহান হানবা শাইদাংফম ওইরমলিবনি । হৌজিক লৈরিবা তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা চীংলোন মাপন অসিনা মখোয়গী অহানবায়াকাবুং অমসুং খোঙদাফম ওইরম্বনি । চীংদা মতৌ অসুন্না শাইদাংদুনা লৈখিবা মতম অসিনা ঐখোয়গী সংস্কৃতিগী অহানবা য়াওননি, হৌজিক ঐখোয় খ্বাইনা 'তম্পাক' হায়রগা খঙনরিবা লমদম অসিদি মতম অদুদা চাংজৌ নাইদ্রবা ঈশিংগী ঈথৎ অমা ওইরম্মি হায়বসিদি মৈতৈগী অরিবা লাইরিক কয়ানসু প্রমাণ ওইরি । লাইগী নোংদমদগী হায়খিবা ঈশিং অসিনা অসুম অসুম কংথখবদা চীংদা শাইদাংলম্বশিং অদুগী মনুংদা কাঙবু খরনা তমদা খুন্দাবা হৌখি । "শফম্ন কাওরগা কাওই" হায়বা মৈতৈ অহল-লম্মনগী পাউরৌগুন্না মতম অমদি মফমগী মতুং ইন্না মী মী অদুগী পূরীং ৱাখল হোংলকপা ফিজেৎ-চাকচা, শাজৎলোনচৎ হোংলকপসি মীওইবগী হৌনশানি । মসিগুম্বা শফমগী মতুংইন্না পোক্লকপা অনৌবা ৱাখল অমদি শাজৎ-লীচৎ অসিনা মতমদা কূলকপা কাঙলুপ অদুগী সভ্যতাদা অনৌবা য়াওন অমা লাকখি । অদুগা অসিগুম্বা অনৌ অনৌবা ৱাখল অসিগী লমজীং মতুংইন্না চৎথখিবা লোনচৎ-শাজৎ কয়াসিনা মনুং হুনজিন্না য়েংলুদবা কনাগুম্বগী মিৎয়েংদদি মখোয় অসিবু ইতোপ তোপ্পা কাঙলুপ অমা ওইনসু উহল্লি । অওইবমক মসিগুম্বা মিৎয়েং অসিমক্তি ঐখোয় খ্বাইগী লাইবক থীবনি ।

**তৌগদবা তাকপা** : অপীবা ৱারেং মতেক অদুদগী ৱাহংলিংগী (ৱাহং **130** দগী **135**) খ্বাইদগী চান্নবা ৱাহং পাউখুম খনদুনা ইরকউ ।

**130.** অখণ্ড-অহৈশিংনা মখোয়বু কবি কাংলুপনি মীনী হায়বগে ?

(1) মখোয়বু অখণ্ড-অহৈশিংনা মঙ্গোলিয়ান কাংলুপ কী মীনি হায় ।

(2) মখোয়সি দ্রাবিদিয়ান কাংলুপকী মীনি হায় ।

(3) মখোয়সি অরিয়্যান কাংলুপকী মীনি হায় ।

(4) মখোয়বু আফ্রিকা গী কাংলুপকী মীনি হায় ।

131. মখোয়গী অহানবা য়াকাবু কদায়দনো ?

(1) লোক্তাক্কী তাকোয়বদনি ।

(2) উমংদনি

(3) মখোয়সী অহানবা য়াকাবুংদি তম্পাক্কা অকোয়বদা লৈরিবা চীংলোন মপলসিনি ।

(4) তুরেন হৌরকফম মনাক্তনি ।

132. মখোয়গী অহানবা সংস্কৃতিগী অহানবা য়াওনসি কদায়দনো ?

(1) উমংদা কেহিচং চত্তুনা লৈরিঙৈ মতমদু সংস্কৃতিগী অহানবা য়াওননি

(2) নিংথিনা থোংবা থাকপা হৈন্দ্রিঙৈ মতমদু সংস্কৃতিগী অহানবা য়াক্তুনি ।

(3) ফিজেৎ-লৈতং হৈন্দ্রিঙৈদুনি অহানবা সংস্কৃতিগী অহানবা য়াওননি ।

(4) চীংদা শাইদাংদুনা লৈরিবা মতমসি ঐখোয়গী সংস্কৃতিগী অহানবা য়াওননি ।

133. তম্পাকসি করি ওইরম্মী হায়রগে ?

(1) তম্পাকসি জঙ্গল ঙাক্তা ওইরম্মী ।

(2) শা ঙায়ান্না লৈরম্মী ।

(3) তম্পাকসি শামু য়ান্না লৈরম্মী ।

(4) তম্পাকসি চাঙজৌ নাইদ্রবা ঈশিংগী ঈথৎ অমা ওইরম্মী ।

134. করম্বা মীৎয়েংবু খ্বাইদগী লাইবক থিবনি লৌবগে ?

(1) মখোয় মশেন খৎন-চৈনবদগীনি ।

(2) মখোয় মশেন মোৎ তিন্নদবদুনি ।

(3) অনৌবা লমচৎ-শাজৎ কয়ানা লৈমিন্নরিবা-মীশিংবু ইতোপ তোপ্পা কাংলুপ ওইনা উহনবদগীনি ।

(4) মখোয় মশেন তোঙান-তোঙান অবদগীনি ।

135. মণিপুরগী মীশিংগী হৌরকফম অমওনি হায়বগী মরম করিনো ?

(1) মখোয়গী চাবা-থকপা মত্তং মান্নবননি ।

(2) মখোয়গী শাত্তং শাবান, কুচু কুমেল অমসুং মিৎতা নাতাননি ।

(3) ধর্ম্ম মান্নবননি ।

(4) মখোয়গী চৎনবী মান্নবননি ।

**তৌগদবা তাকপা** : খ্বাইদগী চপ-চাবদু খল্লু (ৱাহং **136-150**)

**136.** প্রাইমারি ওঝা অমনা মহৈরোই অমনী তাবগী মহৈ (skill) খ্বাইদগী ফাবা য়াবা মত্তংদা হেন গৎহনবা য়াবসি

(1) অককন্নবা তাবগী মথৌশিং (activities) চাং নাইনা নুমীৎ খুদিংগী তৌবা থৌরমদা হাপচিনবনি ।

(2) থরক-মরক্তা হান্না হায়খ্রবশিংদু মহৈরোইশিংদা অমুক হায়হনবনি ।

(3) মহৈরোইনা ঙাংলিভৈদা পূক্নিং চংনা তাবদুনি ।

(4) মহৈরোইনা হান্না তাখ্রবদু মুন্না খল্লু হায়দুনা তোইনা হায়বীবদুনি ।

**137.** ওঝা অমসী ক্লাসতা মখল-মখা কয়াগী লোন ঙাংবা মহৈরোই কয়া লৈ, মখোয়দা অহেনবা মতেং পিন্নবা মহাক্না ৱা ঙাংবা মতমদা হকচাংসু য়াওরগা অচম্বা ৱাহৈপরেং অমদা য়াওরিবা সিলেবলশিংদু তোঙান-তোঙান্না হায় । মহাক্কী খুৎতম্বীসিনা মরুওইনা তম্বিরবসি ।

(1) রিদমনি ।

(2) প্রাগম্যাতিকসনি ।

(3) খোনথোক্কী ওইবা (Phonological awareness) খংনবনি ।

(4) সিনটেক্সনি ।

**138.** খঙবা ঙমবা অমসুং অতোপ্পা তিন্নরগা ঙাংন্নবা ঙমবসি

(1) লম খঙবগী লৌশিংনি ।

(2) লোন খংবগী লৌশিংনি ।

(3) নী অমগা অমগা খঙন্নবগী লৌশিংনি ।

(4) মহাক মশা মথন্তা খঙবগী লৌশিংনি ।

**139.** ওঝা অমনা মহৈরোই অমগী অরানবা পাউখুম দা অচুম্বা পাউখুম পিদুনা খংহন্নবা হোৎন্নৈ । ওঝাদুনা তাকলিবসি -

(1) মহৈরোইদুনা লান্না খঙলম্বদু চুমথোকপনি ।

(2) লোন হেনগৎহন্নবনি ।

(3) মখল-মখা কয়াগী লোন তম্বগী মওংশিং হাপচিনবনি ।

(4) ৱাখল খনবা হেনগৎহনবনি ।

**140.** মহৈরোই অমনা লাইরিক তম্বদা মালী হকচাংগী, ইন্দ্রিগী অমসুং ৱাখলগী অৱাবনা কান্নবা ফংহন্দ্রিবসি -

(1) কোক্লবা পান্থৈননি ।

(2) ক্লাসতা লাইরিক তন্নবা শিনদোক শিনজিন তৌবননি ।

(3) মীওইবদা য়ুমফম ওইব লাইরিকননি ।

(4) অখন্ননা লাইরিক তম্বি গদবনি ।

141. করিগুম্বা অমা লেপথোকপা হায়বসি –

(1) হৈবগী চাং লেম্পগী লমজিং-লমতাকনা (Evaluation guideline) ওই ।

(2) ৱাহংগী ওইনা মার্ক য়েনথোকপনা ওই ।

(3) মহৈরোইশিংগী সধারণ ওইনা খংবগী চাংনা ওই ।

(4) করিগুম্বা অমা খঙদোক্লবা শিজিন্নবা খুৎলাইশিংনা ওই ।

142. অকোনবদা চপা মান্নবা হায়বা ৱাহৈ জুরাদু খন্দোকউ :

(1) চৎলনি / চংলক্কে

(2) ফাহৌনি / খংহৌনি

(3) পামেল / উ

(4) উচেক / ক্বাক

143. Constructivism গী ৱাখললোনসি মহৈরোইশিংনা -

(1) সংসারগী লৌশিং – গ্যানবু মশাগী ওইনা খঙজরগা অতৈদগী মসি মা না খঙবনি হায়বদুনি ।

(2) মান্নদবা নমুনা কয়া নৈন্নদুনা ফজবা ৱারোইশিন পুরকপদুনি ।

(3) ওঝাশিংনা মতেং পাংবীরগা, মিদিয়া কয় । শিজিন্নরগা মশাগী ওইবা ৱাখললোন পুথোকপনি ।

(4) মশানা তমজরগা মশাগী ওইবা তম্নবা উপাই পিবদুনি ।

144. পাউ (message) অমদা য়াওরিবা, খোনথোক (sound) ৱাহৈগী মখল, ৱাহৈমশাগী মতং-মতৌ খেৎন্নবা খঙদোকপসি -

(1) পাবননি ।

(2) ইবননি ।

(3) তাবননি ।

(4) ঙাংবননি ।

145. subject-centred approach কী তম্বিবসি

(1) মহৈরোইশিংগী অপাম্বনি ।

(2) তম্লিবা মচাকতনি (Course content)

(3) ওঝাগী সবজেক্কী অখঙবদুনি ।

(4) লাইরিক তম্বগী টেক্নোলোজিদনি ।

146. মশাগী পিথোরকপা হায়বসি খ্বাইগী ফজনা

(1) IQ চাংয়েংনা তাকই

(2) EQ চাংয়েংনা তাকই

(3) ওঝাগা মমা-মপাগনা তাকই ।

(4) মথং-মথাং লাকপা স্কুলগী রেকোর্দন তাকই ।

147. মিদল ক্লাস স্কুল গী ওঝা অমনা চাং-নাইনা পাউ অমসুং মেগজিনদা ইবা multinational organisation আরটিকল হাপ্তুনা লোন অমদগী হেন্না খঙহন্নবা হোৎন্নে । অসিগুম্বা মচাক শিজিন্নবসিনা মহৈরোইশিংনা ।

(1) লোন অনি ঙাংবা জতিশিংবু খঙবা ঙম্মী ।

(2) করম্বা মত্তংদা মীশিংনা অতোপ্পা লৈবাক্তা হোংখিবগে খঙবা ঙম্মী ।

(3) পৃথিবী লোন অনি ঙাংবগী কান্নবদু খংদোকপা ঙম্মী ।

(4) চাত্তররুগা কদাইদা লৈগদগে, কদাইদা থবক তৌগদগে খঙই ।

148. চাবা-ঙাংবগী খংদোক্লবা থৌদৌ (activity) অমদা মখাদা পিরিবা ৱারি-ৱাতাইসি করম-হায়না লেপক্কদগে ?

**ওঝা** : দেলিগী নুংশিংৎসি লৈচিন থাংবদৌনা তোরিবা করিগীনো ?

**মহৈরোই-১** : অয়াম্বদি-সৈখুগা উথ্যুলগননি ।

**মহৈরোই-২** : ঐগীঘুনি এমসিঘু লৈচিন থাংবদৌনা তোই ।

(1) মহৈরোই-১ : অরানবা পাউখুমনি ।
মহৈরোই-২ : অচুম্বা পাউখুমনি ।

(2) মহৈরোই-১ : অচুম্বা পাউখুমনি ।
মহৈরোই-২ : অরানবা পাউখুমনি ।

(3) মহৈরোই-১ : অরানবা পাউখুমনি ।
মহৈরোই-২ : অরানবা পাউখুমনি ।

(4) মহৈরোই-১ : অচুম্বা পাউখুমনি ।
মহৈরোই-২ : অচুম্বা পাউখুমনি ।

149. টেক্সট (text) অমদা য়াওরিবা ৱাহৈগী 'মগুন' সি

(1) জগা অমদা ৱাহৈবু নাকোইননা শিজিন্নবনি ।

(2) ৱাহৈ অসবু মখল কয়াসুক থোক্লা শিজিন্নবনি ।

(3) দিকসনা রিগী ৱাহৈগী অর্থদুনি ।

(4) অককনবা মফম (context) অমদা য়াওবা ৱাহৈগী অর্থদুনি ।

150. লোন তম্বিবদা ফজনা অর্থ লৈনা ঙাঙবা ঙম্নবা তম্বদুবু

(1) গ্রামার-ট্রান্সলেসন মেথদনি ।

(2) বাইলিঙ্গাল মেথদনি ।

(3) কোম্যুনিকেতিভ মেথদনি ।

(4) ইনফোরমেল মেথদনি ।

SPACE FOR ROUGH WORK

মখাদা পীরিবা নীতি-নীয়মশিং (Instruction) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :

1. OMR অন্সর শীট কী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলন (column) মরিদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা ব্লু নত্রগা ব্লেক বোর পোইন্ট পেন্না ময়েক শেংনা মার্ক (mark) তৌগদবনি । অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুনা মার্ক তৌবা য়াদে ।

2. কেন্দিদেট শিংনা অন্সর শীট তু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে । অন্সর শীট তা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি । অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে ।

3. টেস্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সরশীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেস্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী নম্বর মান্নরমদবক্পী শিন্দোকপা নওনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই ।

4. কেন্দিদেট শিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীট কী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet) তা ময়েক শেংনা চুম্না ইগদবনি ।

5. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা হোল/room দা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চে-চাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে ।

6. ইনভিজিলেটর না হংলপ্পগা কেন্দিদেট শিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি ।

7. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদন মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে ।

8. কেন্দিদেট শিংনা মশাগী অন্সর শীট তু ইনভিজিলেটর দা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হম্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল থাদোকপা য়ারোই । মশাগী অন্সর শীট তু পীরম্লবসু এটেন্দেন্স শীট তা অনীরক হম্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেট শিংদি unfair means কী case ওইনা লৌগনি ।

9. পরিক্ষা হোল মনুংদা ইলেক্ত্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে ।

10. কেন্দিদেট শিংনা পরিক্ষা থারিঙৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি । Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulations কী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি ।

11. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীট কী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই ।

12. **পরীক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেট শিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীট তু পরিক্ষা হোলদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটর দুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেট তু পুরগা থোকখিগদবনি ।**

**READ CAREFULLY THE FOLLOWING INSTRUCTIONS :**

1. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with Blue/Black Ball Point Pen on Side-2 of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
2. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
3. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
4. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet / Answer Sheet in the Attendance Sheet.
5. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the examination hall/ room.
6. Each candidate must show on demand his / her Admission Card to the Invigilator.
7. No candidate, without special permission of the Superintendent or Invigilator, should leave his / her seat.
8. The candidates should not leave the Examination Hall without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet a second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case.
9. Use of Electronic / Manual Calculator is prohibited.
10. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
11. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
12. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Room / Hall. *The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***

**निम्नलिखित निर्देश ध्यान से पढ़ें :**

1. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर पत्र के पृष्ठ-2 पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह नीले/काले बॉल पॉइन्ट पेन से भरें । एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है ।
2. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ । परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें ।
3. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी ।
4. परीक्षा पुस्तिका / उत्तर पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाज़िरी-पत्र में लिखें ।
5. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश कार्ड के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज़ की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है ।
6. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-कार्ड दिखाएँ ।
7. अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें ।
8. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर पत्र दिए बिना एवं हाज़िरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल नहीं छोड़ेंगे । यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाज़िरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा ।
9. इलेक्ट्रॉनिक / हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है ।
10. परीक्षा-हॉल में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं । अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा ।
11. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर पत्र का कोई भाग अलग न करें ।
12. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी कक्ष / हॉल छोड़ने से पूर्व उत्तर पत्र कक्ष-निरीक्षक को अवश्य सौंप दें । *परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं ।***